
# জে এন কেগী চিফ মিনিষ্টর ওইনা মুফতি ৱাশক লৌখ্রে



**জম্মু, মার্চ ১ঃ** ইতিহাস অমা ওইনা ৱাখল মান্নবা পার্টি অনি চুংশিন্নদুনা সরকার শেম্বগা লোয়ননা ঙসি জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী চিফ মিনিষ্টর ওইনা মুফতি মহমদ সায়িদ চিফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

পিপলস দিমোক্রেটিক পার্টি (পি দি পি) অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী তোঙান–তোঙানবা মান্নদবা ৱাখল্লোনশিং পুনশিন্দুনা ঙসি ৱাশক লৌবগী থৌরম পাংথোকখ্রে।

বি জে পিগী এমপি জুগল কিশ্বরনা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা নেসনেল এন্থেম শক্লল্লবা মতুং ভারত ইমানা য়াইফরে হায়না লাউখি। জোরোৱার ওদিটোরিয়মদা পাংথোকখিবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা তিনখিবা মীয়াম্না অহৌবা খোঞ্জেলদা লাউবগা লোয়ননা খুবাক খুন্নখি।

অমরোমদা পি দি পিগী সাইটতা লৈবা মীওইশিংদি তুমিন্না লৈখি। জম্মু অমসুং কাস্মিরদা চুংশিন্নরিবা বি জে পি অমসুং পি দি পিগী মরক্তা রাজনিটিগী মান্নদবা ৱাখল্লোল কয়া লৈ। অদুম ওইনমক ষ্টেট অদুগী চিফ মিনিষ্টর ওইনা মুফতি মহমদ সয়িদপু চিফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা মুফতি মহমদনা হায়, মহাক অলহাগী মিংদা ৱাশক লৌবনি হায়খি। ষ্টেট অদুগী মিনিষ্টর ওইনা মৌলবি ইমান নসারিসু অলহাগী মিংদা ৱাশক লৌখি। অদুগা রাজনিটিগী লমদা খঙ হৈরবা লালসিংহ কমলা মচুগী ফম্ফম অমদা ফমদুনা দোঙ্গ্রি ফিজেটতা ৱাশক লৌখি। বি জে পিগী সুসিল কুমার সিংহসু হিন্দুগী ৱাখল্লোলদা ৱাশক লৌখি। পি দি পিগী মায়কৈদা ইংলিস ঙাংবা উকিল, করবারৱালা ইকোনোমিকস সাহেব দ্রভুনচিংবা মীওই কয়া লোয়নরকখি। অদুগা বি জে পিগী মায়কৈদনা কুর্টপায়জমা শেৎপা আর এস এসকী মীওই বালি ভগত অমসুং সুনিল শর্ম্মসু লোয়নরকখি। ভগত শর্ম্মবু ৱাশক লৌবদা ভারত ইমানা য়াইফরে হায়না লাউরমখি। মহাক্কী হেক মতুংদা ৱাশক লৌখিবা পি দি পিগী মিনিষ্টর অমনা জয় হিন্দ লাউখি। নাকল অমরোমদা বি জে পিগী মরু ওইবা মীওই এল কে অদবানি, মুর্লিমনোহর জোসি, এম এল খত্তা, রাম মহধব অমসুং সহনৱাজ হুসেন, মুফতিগী মায়কৈদা ফমখি। মেহভুবা মুফতিনা জোসি, রাম মাধব অমসুং সহানৱাজ হুসেনগা নুংঙাইনা ৱারি শাবা উখি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লৈতানা ফম্বা উখি। চিং লেন্নবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা পথান কুরতা পায়জমা শেৎপা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা মুফতি মহামদ সহিদকা হরাওনা খুৎ শোক্লবগা লোয়ননা ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু পাংথোকখি।

থৌরম অদুগী অরোইবা পুংজাদা সজাদ কৌবা মীওই অমসু মিনিষ্টর ওইবা য়াওহনখি। মহাক ঙরাং নুমিদাং খক্তদা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর য়াওননবগী ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

জোরোৱার ষ্টেদিয়মদা তিম্বা য়াবা মীওই মশিং চপ চানা তিনখি। থৌরম অদুদা অতিথি ওইনা এ এস দৌলদ, সহিদ সিদিকি, হিনাভট, বিক্রম অদিতয়া অমসুং অতোপ্পা মরু ওইবা মীওই কয়া য়াওখি।

ঙসি ইতিহাস ওইরগদবা থৌওং অমা লমদম অসিদা চথরি হায়না সি দি কে না পাউমীশিংদা ফোংদোরকখি।

করিগুম্বা অহোংবা অমা পুরকপা ঙল্লবদি ইন্দিয়া পুম্বগী রাজনিটিদা অওনবা অমা পুরকপা ঙমগনি হায়বগা লোয়ননা এ এস দৌলদনা লমদম অদুদা বি জে পি অমসুং পি দি পি চুংশিন্নবা সরকার লাকপা মতমদা অঙকপা ফোংদোরক্লি। মহাক্লা মখা তানা হায়খিবদা লমদম অসিগী মীয়াম্না অসিগুম্বা সরকার অমা পামখি। মদুনা মরম ওইরগা ফিভম অসি ওইরকপনি হায়বসি খঙগদবনি হায়না ফোংদোকখি।

# য়ুম মৈ থাবদা মীওই অহুম শিরে

**নিউ দিল্লি, মার্চ ১ঃ** ঙরাং অয়ুক ন্যু দিল্লিগী পালম ভিহার এপার্টমেন্টতা লৈবা মথোল অহুম ৱাংবা য়ুম অমা মীওই অমনা মৈ থাবদা অঙাং য়াওনা মীওই অহুম শিখ্রে অদুগা ১১না অরুবা ফিভমদা শোকহনখ্রে।

মীওই অদুনা ইমুং মনুংগী নুংঙাইনদবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা মহাক্কী নুপীবু হাৎপা পাম্বদগী মৈ অদু থাখিবনি।

মথোল অহুম ৱাংবা দল্লাল অদুদা লৈবা ইমুং ৭কী মীওইশিং থৌদোক অদুনা মাংহন তাকহনখি হায়রি। থৌদোক অদু অনিল কুমার (৫২) কৌবা ত্রক দ্রাইভর অমনা পালম বিহারদা লৈবা য়ুম অদু মৈ চুখৎলকপদগী থোকখিবনি। মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিং অদু গ্রাউন্দ ফ্লোরদা লৈবনি। অনিল কুমার কৌবা মীওই অদুনা মহাক্কী ইমুং মনুংগা খৎনরকপদগী মফম অদুদগী চেম্থোরকপগা লোয়ননা মৈ অদু থাখি।

ফায়র ফাইটরগী মী কনবা কাংবুনা মীওই ১১ রোম কনবা ঙমখি। লোয়ননা মৈ অদু ফায়র টেন্দর অহুম লোম শিজিন্নদুনা পুং ১গী মনুংদা লাকশিনবা ঙমখি হায়রি।

ফায়র দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েল অমনা ফোংদোরকপদা মৈ অদু থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৩ লোম তাবদা এহলাবাদ কম্পার্টমেন্টতগী হৌরকখি। মৈ চাক্লে হায়বদু অনিল কুমারগী মচানুপী সিমরননা ইহান হান্না খঙলকখি। মহাক্লা মথক থংবা মথোলদা লৈবা ইমুং অনিগী মীওইশিংদা মৈ চাকপগী পাউ অদু তমখি। মহাক্লা পাউ অদু তম্বগা লোয়ননা অহল ওইরবী নুপী য়াওনা মীওই ৩গী পুন্সি কনবা ঙমখি হায়রি।

বিল্ডিং অদুদা লৈবা এয়ারফোর্সতা থবক তৌবা এ এন বর্ম্মা কৌবা মীওই অমনা হায়, মহাক্ য়ুম অদুগী মতোলগা কাখৎতুনা অতোপ্পা য়ুম অমদা চোংনবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মহাক্কী মচানুপানা মতেং পাংদুনা অতোপ্পা য়ুমদা চোংবগী মহুৎ মৈ চাক্লে হায়বদু মরী লৈনবশিংদা খঙহনবা ঙমখি হায়খি।

মদুগী তুংদা বেল খিংদুনা অতোপ্পশিংদসু খঙহনখি। অনিশুবা মথোলদা লৈবা জগদিব কুমার কৌবা মীওই অমা ফিভম অদু খঙহলকপগা লোয়ননা মহাক্কী চহি ১খক্তা ঙাইরিবা মচানুপাগা লোয়ননা মখাদা কুমথনবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মখোয় মৈরি অদুনা লাকশিনখি হায়রি।

# ব্লেক মনিদা চেন্নবশিং চহি ১০ জেলদা লৈরবা য়াই

**নিউ দিল্লি, মার্চ ১ঃ** সরকারনা মপান লৈবাকশিংদা লৈবা ব্লেক মনি অমুক্তদা হলহলকপা য়ানবা থৌরাং পায়খৎলি। মখোয়দা চপ চাবা টেক্স লৌখৎনবসু শেম শারি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জৈতলিনা ঙসি জেনরেল বজেট মীফম খন্নবা ফোংদোকখি।

ব্লেক মনিগী মতাংদা খন্নবা পাম্বগী ৱাফম ফোংদোকপগা লোয়ননা অদুগুম্বা মীওইশিংদা চপ চাবা দন্দি পীননবদা ৱাফমসু পুথোকখি। মপান লৈবাকশিংদা শেল থৈদোক্তুনা থম্বা মীওইশিং অদু চহি১০ জেলদা থম্বা য়াবগী মরী লৈনবা ৱাফম কয়াসু ফোংদোকখি। থা ৬কী মমাংদগী ব্লেক মনিগী ৱাফম লৈবাক অসিদা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইদুনা লাক্লি। ফোরেন এক্সেঞ্চ মেনেজমেন্ট এক্টকী মতুং ইন্না আইন থুগাইবা মীওইশিং চহি ৫ ফাওবা জেলদা থম্বা য়াই। অসিগুম্বা আইন অসিদা ইনকম টেক্স অমসুং এসেটকী টেক্স পীরম্দবগীদমক চাদ ৩০০গী দন্দি হাপকৎপসু য়াই। মপান লৈবাকশিংদা একাউন্ট হাংদুনা থল্লিবা মীওইশিংগী শেনফম অদু শিংথানিঙাই ওইদবা অমা ওইরবসু দন্দি ফংনিংঙাই ওইবা অমদি ওইরে। হায়দোকখিবগী মতুং ইন্না মপান লৈবাকশিংদা তুংশিন্দুনা লৈরিবা শেনফমশিং অদু আইনগী মতুং ইন্না হনহল্লক্কবা থবক পায়খৎলি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জৈতলিনা মখা তানা ফোংদোরক্লি।

সরকার অসিনা পায়খৎলিবা ব্লেক মনি হল্লক্কবগী থৌশিল অসিদা নাতৈ চাদবা মওংদা য়েৎশিনবগী মহুৎ মতেং পাংবীয়ু অদুগুম্বা শেনফমশিং অদু হল্লক্কবগীদমক তোঙানবা বিল অমা পুথোক্লকপা য়াই।

আইন কায়বা মীওই কয়ানা লেপশিল্লম্বা লন–থুম অমসুং মরল–মথুমশিংগী মতাংদা বিল অমা পুথোক্কবা হোৎনবদা য়েৎলকপা কয়াসু লৈ। সরকার অসিনা পুথোক্লিবা ফাইনান্স বিল অসিদা অমুক্তদা মীওই অমনা লুপা লিশিং ২০ পীথোকপা নত্রগা লৌশিনবা য়াদবগী ৱাফম লৈ হায়খি।

# স্বাইন ফ্লুনা শিহনখিবা মীওই ১,০৪১ শুখ্রে

**নিউ দিল্লি, মার্চ ১ঃ** ঙসি স্বাইন ফ্লুনা মীওই ৩৬ নৌনা শিহনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা লায়চৎ অসিনা শিহনখিবা মীগী মশিং ১,০৪১ শুখ্রে। অদুগা ঐচ ১ এন ১ না বাইরস পল্লবা মীওই লিশিং ১৯ লৈরে হায়রি। হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রেকোর্দ মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা মীওই ১,০৪১ শিহনখ্রে অদুগা মীওই ১৯০৪৬না লায়না অদু থোকহল্লিবা ঐচ ১ এন ১ পক্লে হায়রি।

ঙরাং ফাওবদা হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী পাউ মতুং ইন্না মীওই ১৮১০৫ লায়না অদুগী মহিক পক্লে হায়না খঙদোকখি। রাজস্থানদা স্বাইন ফ্লুনা মীওই ২৫৭ শিহনখিবা লোয়ননা মীওই ৫৪০৩ ঐচ ১ এন ১ ভাইরস পক্লে হায়রি।

গুজরাটতা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না অসিনা মীওই ২৫৬ শিহনখ্রে। স্বাইন ফ্লুনা শাথিনা শোক্লহল্লবা গুজরাটকী খুঙ্গংশিংদা লৈবা ৪১৬২ লায়না অদুগী মহিক পক্লে হায়রি।

মৈধ্য প্রদেশ অমসুং মহারাষ্টাদা মথং শিৎনা মীওই ১৫১ অমসুং ১৩১ শিহনখ্রে হায়বগী পাউ লৈ। অদুগা টেলঙ্গনা অমসুং পঞ্জাবতা মীওই ৫৬ অমসুং ৪২ শিহনখ্রে। লৈবাক অসিগী কোনুং ওইরিবা ন্যু দিল্লিদা লায়না অদুনা মীওই ১০ শিহনখিবগা লোয়ননা লায়না অদুগী ভাইরস পল্লবা মীওই ২,৭৯১ লৈরে হায়রি।

কর্নাতাক্কা, অন্ধ্র প্রদেশ, হিমাচল প্রদেশ, জম্মু অমসুং কাস্মির অমদি কেরলাদা মথং শিৎনা স্বাইন ফ্লুনা মীওই ৪২, ২১, ১২, ৮ অমসুং ৭ শিহনখ্রে হায়রি।

ঙরাং হেল্থ মিনিষ্টর জে পি নাগানা লৈবাক অসিদা স্বাইন ফ্লুগী চাংয়েং তৌনবা লেভরেটোরিগী অৱাৎপা লৈরে, ষ্টেট খুদিংমক্তা লায়না অসি থেংননবা চপ চাবা থবক লৌখৎহন্নবা খঙহনখ্রে হায়না ফোংদোকখিবা লৈখ্রে।

# খঙমিন্নসি

## লম্মিৎলোন

**ঙরাংগী মখা...**

**কারোং ঃ**

চিংখোং পোইরৈতোন্না লৈমা লাইনাউতাবীগা অনিনা লোইবী চিংগী লমদমদা শিদবা নাদবা খুল লৈব্রা কোয়না চত্তুনা থিবদা অঙম্বা চীংমায় কাবগী ৱারদুনা মফম অদুদা ফমদুনা পোখাবদা লৈমা লৈনাউতাবীদি ৱামনখিবনা লোংখাক লোংনা ময়া কানা হিপ্লম্মী হায়বগী মফম অদুবু ‘কারোং’ কৌনখি।

**ককচিং ঃ**

থৌবাল ইরুল্লাই কৌবা মকোক অনি লোংবা মমৈ অমত্তা পানবা লাইরেন অদুনা নুমিৎ খুদিংগী ৱাইথৌ অমসুং খমপুং, চীংখম চাউপাক, মুৎলৌ ঙাংলৌ লান্না চাক্তাই। অতোপ্পা মকোক অদুনা চোইজিংদা চাক্তাদুনা ঙানবা তেকচা পাম্বনা থুমলিবা লুদা চঙবা ঙা অদু চাথোকই। ঙানবা তেকচা পাম্বনা লু কাইবা লাকপদা লু মনুংদা চঙবা ঙা ফাদুনা চারিবা লাইরেন মকোক অদু মখুত্তা পায়রিবা থাঙলোন মখুৎশুনা মপুক্লিংদা চিংনবা লৈতনা লাইরেন মকোক অদু ককথৎলি হায়বগী মফম অদু ‘ককচিং’ কৌনখি। অতোপ্পা ৱারি অমনা ঃ খোইমোম লাইরৈমা ফৌওইবীনা খোয়নৌ মতা চিৎনু লৈমা চিৎমিংনবী, হৈনু লৈমা হৈমিংনবী, ৱাকচিং হাউকোনববু চনু নোইনু থুম ওইবী, তুবিকোন মিংনাইবী কোলাংনু, কোলাং নাশিনবী মতা মঙাগা লোয়ননা থোংখোং কারল লম্বুবা য়ৌগে লাকপবু লম্মখাংদা তুবিকোন মিংনাইবী কোলাংনুবু মকোক্কী মশম কক্লা খানহৌই হায়বগী মফম অদুবু ‘ককচিং’ হায়নসু কৌনখি।

**ককয়াই (ককময়াই) ঃ**

লোইমোম ফৌওইবী লাইরেম্বীনা খোয়নৌ মতা তরুক্কা লোয়ননা নোংপোক মায়কৈ লমলেন ৱায়রং কারন লম্বুবা (খ্বাই নুংজেং পিবাগী মকুবোক্লা লৈবা) লমদা লৈরুসি ঙাঙনদুনা লাক্লম্মী। খোয়নৌ মতা তরুক্লা পায়রিবা ৱাগী চৈশুগা ফৌওইবীনা পায়রিবা চৈশুগা মতাং কনানা শাংবগে য়েংনবদা ফৌওইবীগী চৈশুনা মতাং অমা হেল্লে। অহেনবা মতাং অসি ককথৎতুনা ঐখোয়না পায়রিবা চৈশু অসিগা শাংবা মান্নহনসি ঙাঙনদুনা অহোংবা চৈশু মতাং অদু ককখি হায়বগী মফম অদু ককময়াই হায়নরম্বদগী মমৈথংদা ‘ককয়াই’ কৌনখি। (নিংথৌরোল লম্বুবা)

**ককৱা ঃ**

নিংথৌ লাইতোং পুরাংসুগা খুমন পুয়াংবা পুরুমসুগা অনিনা তা চায়নবদা লাইতোং পুরাংসুনা হুনবা তাদি পুরুমসুদদি পান্দনা লৈমায়দা য়ুংদুনা তোক্লে। পুয়াংবা পুরুমসুনা হুনবা তাদি লাইতোং পুরাংসুগী মবুক ফাওনা লেংলে। হায়নখিবা মতুং ইন্না পুরুমসুনা লাইতোং পুরাংসুগী মঙক ককখি হায়বগী মফম অদু ‘ককৱা’ কৌনখি।

**ক্লাক কৈথেল ঃ**

মৈদিংঙু তাউথিংমাংগী মজাইবুংঙো খুই নিঙোম্বনা পোইরৈ মৈতৈ লৈবাক্কী নিংথৌ ওইদুনা পানবা মতমদা শা–লান পাম্বদগী লাইরেম্বীবু ঈরাং থৌনিখি। মেরা থাগী তরানি পানবা লাইরেম্বীগী ইরাৎপা নুমিত্তা লৈবাক্কী অখঙ–অহৈ মায়চৌ মাইবীশিংগা তান্নরগা ক্লাক তাল্লি। অখঙ–অহৈ মাইচৌশিংনা তাকপা মতুং ইন্না ক্লাক তানবগী কুম্মৈ অদু য়েংনখি। নুমিৎ অদুগী ক্লাক তানবা লোইরবা ফাওবা নুমিৎ খুদিংগী লেপ্তুনা কৈথেল কাবা হৌখি। ক্লাক তানবদা কাখিবা কৈথেলনি হায়বগী মফম অদু ‘ক্লাক কৈথেল’ কৌনখি।

**কৈথেল মানবী ঃ**

চিংখোং পোইরৈতোন্না লৈমা লাইনাউতাবীগা লোয়ননা শিদবা নাদবা মফম থিরকপদা শাচুং নিংথৌ শাচাং লাংমৈরেম্বনা, পাল মাইরেন থাবা মফমদা ফৌ থানবা লৌ লিংলিঙৈদা লাক্তুনা থেংনখি। শাচুং নিংথৌনা মফম অসিদদি শিদবা নাদবা খুল লৈতে, অৱাং কৌব্রু পাংবদা লোইবী চীংশাং অসিদা চৎতুনা থিরুচো হায়দুনা পোইরৈতোন্দা তাকখি। চীংখোং পোইরৈতোন্না লমদম অদু পাংনা চৎলগে খন্দুনা হল্লকপদা ফজরবা মফম অমা থেংনরম্মী। মফম অসিদি য়েংবদা ফজখ্রে কৈথেলবু মাল্লিদা শোল্লম্মী হায়বদগী মফম অদুবু ‘কৈথেলমানবী’ কৌনখি।

**করাম ঃ**

মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙু থৌৱানথাবনা খুমন নিংথৌ পুন্সিবগা নিংথৌ অনিনা শামুরৌগীদি মথক্তা লৈবা লম অসি মুন্নবদা মৈতৈনা ঙমদুনা লৌরে। ওল্লকপা চহিদা লম ওন্দুনা য়েংনবদা খুমনগী লম ওইরম্লে। খুমনগী লমবু মৈতৈ নিংথৌনা লম করাম্বদগী লৌখিবা লমনি হায়বগী মফম অদু ‘করাম’ কৌনখি।

**কাইনা ঃ**

লংমাই নিংথৌ কাইনৌ চীংখৈরাকপা মপারী পুরাবা মমোম পুরিবী অনিগী মতিক মথৌনা তৌবা ঙম্বা মরিংজেল অদু য়েংগে খল্লদুনা মপারী মমোম অনিবু কৌশিল্লগা পারি ইবুঙো পুরাবা নহাক্লা ঙম্বা নতিক নথৌনানা লাংবল উয়ুংখোক তোন্দম্বা অসি নিংশা শোরনা কান্নগা থুদেকউ হায়রবদা মপারি পুরাবনা মানা হেক ঙম্বমখৈ শোরনা কাম্ববু উয়ুংখোক থুদোকপা ঙমদ্রে। মমোম পুরিবিদনা থৌদু নুং অমা পীরগা মসি থুগায়য়ু হায়রবদা পুরিবীনা মানা হেক ঙম্বমখৈ শোরনা কামদুনা থুগায়রে। মদু উবদা কাইনৌ চীংখৈরাকপা মপানা পুরিবী নঙদি ঐগী অশেংবা ইমোমনি, পুরাবা নঙদি ইপারিনি হায়নিংদে নতিক নথৌনা লৈতে হায়দুনা ময়ুমদগী তাম্থোকপীরে।


BHAKTIVEDANTA INSTITUTE MISSION
HIGHER SECONDARY SCHOOL
Airport Road, Imphal (ISKCON)
CBSE Affiliation No. 1230016

Admission Open
CLASS I TO IX (Session 2015-2016)
Free Admission for Class I to V



Imparting Values, Building Lives, Nurturing Potential, Encouraging Holistic Growth

FOR DETAILS CONTACT US:
Phone: 03852455244

Admission form are to be collected from the Office (10 a.m. to 3 p.m.)



4TH KANGLEI Mega Sports Festival 2015
Marirak Suba Khwaidagi Chaoba Kanglei Sana Kummei
Starting from 4th to 9th March 2015.

(1) Kangleipak Football Trophy (U-17 only Boys)
DFA/DSA Level
Winner - 20,000/-, Runner - 15,000/-
Venue : Mapal Kangjeibung

(2) Kangleipak Marathon (U-XII Std. only Boys)
on 7th March, 2015
1st - 20,000/-, 2nd - 15,000/-, 3rd - 10,000/-
4th to 10th - 1000/-
Starting Point : Khuman Lampak Hockey Stadium

(3) Kangleipak Kang Trophy, Open (Men)
1st - 10,000/-, 2nd - 7,000/-, 3rd - 5,000/-
4th - 3,000/-
Venue : Brajanath Kangshang, Sagolband & Gopal Dev Kangshang, Yaiskul

(4) Kangleipak Cheibi Yendamnaba
(Sub Junior Boys & Girls under 14 years)
1st - 1500/-, 2nd - 1000/-, 3rd - 500/-
Venue : Irom Yumjao Leirembi Community Hall, Chingamakha

(5) Kangleipak Kabaddi Trophy (U-20 yrs. Weight 65 only Boys)
1st - 15000/-, 2nd - 10000/-, 3rd - 5000/-
Venue : Mapal Kangjeibung

Form Available for Marathon :
Sharma Book Store, Yairipok Bazar, ABC Book Store, Kongba Bazar, Library Club, Singjamei, Top-Top A Shop, Tera Bazar, SAI Takyel, SAI Khuman Lampak, Manipur Hockey Association, Athletic Association of Manipur, All Manipur Kabaddi Association, Sangai Computer, Samurou Bazar, Kanglei Optical, RIMS Road, Oja Bijoy Book Store, Thoubal Bazar, Amar Book Store, Khangabok, BK & Sons Stationery, Wangjing Bazar, Saraswati Book Store, Thoubal Wangma Taba, Surjakanta Automobile Repairing Cum Servicing Centre, Thoubal Babu Bazar, Land Mark Stationery, Lamlong Thongkha, Waikhom VCD Palour Oinam Bazar & KSA Office.

MEDIA PARTNERS
SANALEIBAK Daily Newspaper

Sponsored By :
Kangleipak Students' Association (K.S.A.)

CONTACT NO. :
8257914541 / 9089564581 / 8119927911
9774246133/8415990587



Little Star Euro Kids
Tiddim Road near AMUCO Office
THE PRE-SCHOOL SPECIALIST

ADMISSION OPEN
Pre-Nursery to K.G.

Little Star Euro Kids is now making forays into the education industry by launching a World Class Euro Kids. The school is equipped with attractive interiors and child friendly environment world class toys. Euro Gym providing a scientifically development curriculum of international Standards.



Available : Van Service.



Kanglei Type Writer & Computer Training Institute

BABUPARA, OPP. 1ST MR GROUND, NEAR KALIMAI MANDIR, IMPHAL.
&
BANK OF BARODA BUILDING, NEAR CRPF CAMP, LANGJING.

ADMISSION OPEN

45 Days Special Package For Class III – IX Appeared Students

OTHER SHORT TERM CERTIFICATE COURSES:
- Computer Basic
- MS-Office
- DTP
- Tally
- Computer Typing (6 Month)
- DCA (6 Month)
- Shorthand (1 Yr) etc…



AISECT

National Centre For Electronics and Information Technology Implemented under the Core Support of Deptt. of Science and Technology(Govt. of India)
And National Skill Developement Corporation (N.S.D.C)

ADMISSION NOTICE (JAN 2015 SESSION)

| Course | Duration | Eligibility |
|---|---|---|
| Post Graduate Diploma in Computer Application | 1 Year | Graduate |
| Diploma in Computer Application | 1 Year | 12th Pass |
| Diploma in Computer Programming & Application | 1 Year | 10th Pass |
| Certificate in Computer Application | 6 Months | 10th Pass |
| Advance Diploma in Computer Hardware & Networking | 1 Year | 12th Pass |
| Certificate in Computer Hardware Engineering | 6 Months | 12th Pass |
| Certificate in MS Office (word, excel, powerpoint) | 3 Months | 12th Pass |
| DTP (MS Word, Page Maker, Photoshop) | 3 Months | 12th Pass |
| VB.Net, C, C++, Core Java | 3 Months each | 12th Pass |

Vacancy Notice :

| Post | Eligibility | Age | Salary |
|---|---|---|---|
| One Office assistant | 12th Pass | 20 - 30 | Negotiable |

Walk-In on 26th Dec 2014 from 10:00 am onwards

For Details Contact :
EMOINU INSTITUTE OF INFORMATION TECHNOLOGY,
B. T. Road, Imphal, Near Gambhir Shopping